**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) এন.ই.সিগী ৭৩ শুবা প্লেনারি মীফম শিল্লোংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- এন.ই.সি অসি অৱাং নোংপোক লমদম চাওখৎহন্নবা পোরম য়াৎপগী ইন্সটিট্যুসন অমা ওইবতা নত্তনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা অমসুং সংস্কৃতি য়োকখৎতুনা থম্লি।

২) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নোর্থ ইষ্ট ক্লাইমেত রেজিলিয়েন্স ফন্দ শেম্বা, এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং এস্পিরেসনেল ব্লোক প্রোগ্রামশিংগী মখাদা অহেনবা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোকশিং হাপচিনবীনবা এন.ই.সি মীফম তকশিনখ্রে।

৩) বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা মণিপুরগী রাজ্য সভা সিটকী বি.জে.পি মীরেপ ওইরগনি। ভোৎ থা অসিগী ১৮ দা থাদনগনি।

৪) মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থম্বা নুমিৎ হয়েং মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক্কনি। এক পের মা কে নাম থ্রি পোইন্ট জিরো কেম্পেসু হৌদোক্কনি।

অমসুং

৫) ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা মিজোরম অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা চম্ফাইগী মফম ৯ দা ঙসি থি হুম্বগী থবক চথখ্রে।

------

এনইসি (এল)ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন.ই.সি)কী ৭৩ শুবা প্লেনারি মীফম মেঘালয়গী কোনুং শিল্লোংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা দোনর মন্ত্রি জ্যোতির আদিত্যা সিন্দিয়া, মেঘালয়, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, ত্রিপুরা, মিজোরম, নাগালেন্দ অমসুং সিক্কিমগী রাজ্যপাল অমদি মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেতরি গোবিন্দ মোহনসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- নরেন্দ্র মোদি সরকারনা অৱাং নোংপোক লমদমদা হিংশাগী থবক লোইশিন্দুনা চয়েৎনবা মফম অমা ওইরম্বদগী খুদোংচাবা ফংহনবা মফম অমা ওইহল্লক্লি। মহাকা হায়- এন.ই.সি অসি অৱাং নোংপোক লমদম চাওখৎহন্নবা পোরম য়াৎপগী ইন্সটিট্যুসন অমা ওইবতা নত্তনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা অমসুং সংস্কৃতি য়োকখৎতুনা থল্লি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দোনর মন্ত্রি শ্রী সিন্দিয়ানা হায়- মপাঙ্গল কনবা অমসুং চাওখৎপা অৱাং নোংপোক লমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা লুচিংবশিংনা অমত্তা ওইনা ৱারেপনখি।

মীফম অসিগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী দিবলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন দোন্নর মন্ত্রালয়না হায়- মীফম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মরুওইবা সেক্তরশিং চাউখৎহন্নবা শেমখিবা সি.এম. হাই লেবেল টাস্ক ফোর্সশিংনা পায়খৎপা থবকশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মীফমগী মনুং চন্না টুরিজম, লৌউ শিংউ, হোর্টিকলচর, য়েরুম অমসুং ঙা পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা অহেনবা শেল থাদবগী ৱাফমসু খন্নখি। মসিগী মথক্তা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপা, লম্বী থোং ফাহনবা অমদি হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোৎথোকশিং হেন্না পুথোক্তুনা নহা কয়া মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবগী মতাংদসু খন্নখি।

সিএম (এল)ঃ এন.ই.সিগী ৭৩ শুবা প্লেনারি সেসনদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা দোনর অমসুং এন.ই.সিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা লুপা কোতি লিশিং ১,৭৯২ রোমগী প্রোজেক্ট ১৬৭

পায়খৎতুনা লোইশিনখি। মীফম অদুদা মহাকা হায়- কুমজা ২০২৩ গী মেগী ইরাং মতুংদা অনৌবা ফিরেপকা লোয়ননা মণিপুর মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনরি। মরম অদুনা দোনর অমসুং এন.ই.সিগী মখাদা রাজ্য অসিগীদমক শেনফম থাদবীনবা হায়জখি। মীফম অদুদা মখ্য মন্ত্রিনা হায়-

মাঙলোমদা চংশিন্নবগীদমক অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি ৰারী শান্নবা হায়বসিনি। রাজ্য সরকারনা মীফম অদুদা পীখৎখিবা রিপোর্টশিংগী মনুংদা আয়ুসমান ভারত অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি লাখ ১ লিশিং ৪ রোম লুপা কোতি ১৮১ চংনা লেমা লায়েংখিবা, নোর্থ ইষ্ট ক্লাইমেত রেজিলিয়েন্স ফন্দ শেম্বা, এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং এস্পিরেসনেল ব্লোক প্রোগ্রামশিংগী মখাদা অহেনবা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ব্লোকশিং হাপচিনবীনবা তকশিনখি।

ইসিঃ বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা রাজ্য সভা সিটকী বি.জে.পি মীরেপ ওইরগনি।

বি.জে.পি সেন্ত্রেল কমিতিনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমদা থা অসিগী ১৮ দা ভোৎ থাদনগদৌরিবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরিবা রাজ্য সভা সিট অসিগীদমক শ্রীমতি এ. সরদা দেবী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই)না রাজ্য ১০ গী রাজ্য সভা সিট ২৪ গী মীখল জন্ ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

মীখলগী নোটিফিকেসননা জন্ অমদা থোকখি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম জন্ ৮ নি। স্ক্রুতিনি জন্ ৯ দা পাঙথোক্কনি অদুগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতমনা জন্ ১১ নি। ভোৎ জন্ ১৮ দা অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা থাদনগনি। ভোট মশিংনা নুমিৎ অসিমক্তদা থিগনি।

মীখল পাঙথোক্কদবা রাজ্যশিং অদুদি- অন্ধ্র প্রদেস, গুজরাট অমসুং করনাতক্কাগী সিট মরি-মরি, রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেসকী সিট অহুম-অহুম, ঝরখন্দগী অনি, মনিপুর, মেঘালায়া, অরুনাচল অমসুং মিজোরামগী সিট অমমমনি।

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য সভা সিটকী মীখলগী রিটর্নিং ওফিসারসু ওইরিবা মণিপুর বিধান সভাগী সেক্রেতরি রোহিত শাপমনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়- মীখল অসিগী মীরেপচে থা অসিগী ৮ ফাওবদা রিটর্নিং ওফিসার নত্রগা এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসার এল. ধনাশ্যাম সিংহদা ছুতি নত্তনবা নুমিৎশিংগী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবদা পীশিনবা য়াগনি। জন্ ৯ দা মণিপুর বিধান সভাগী সেক্রেতরিয়েটতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি।

রাজ্য সভাগী এম.পি. ওইরিবা মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবগী থবক পায়বগী মতম থা অসিগী ২১ দা লোইরগনি।

দে (এল) ঃ মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থম্বা নুমিৎ হয়েং মণিপুরদসু পাঙথোক্কনি। কুমশি চহিগী হিরমনা ইন্সপায়ার্দ বাই নেচর, ফোর ক্লাইমেত ফোর আব্বার ফ্যুচর হায়বসিনি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা টুগেদর ফোর ক্লাইমেত এক্সন হায়বা হিরমদা সাইক্লোথোন পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা এপ্রিসিয়েসন এৱার্দ, গ্রিন ওন্তরপ্রেন্যুর এৱার্দ, ক্লাইমেত কম্যুনিকেতর এৱার্দ, লাইফটাইম এচিভমেন্ট ইনভাহরোনমেন্ট এৱার্দ অমদি তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা খুৎশিন্নগনি। থৌরম অদুদা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখো শরুক য়াগনি।

মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থম্বা নুমিৎ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকগনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- নুমিৎ অসি লাকপনা হৌজিক্কি অমদি তুংগী মীরোলগীদমক মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্বগী দাইত্ব অদু নিংশিংহল্লে। উমং, তুরেল, চীংশাং অমদি ইনাক খুল্লবা বাইও দাইভরসিতি অসি মীয়ামগী মমল নাইদ্রবা লননি। মরম অদুনা মসিবু ঙাক শেনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী দাইত্বনি।

মালেমগী অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থম্বা নুমিৎকা মরী লৈননা এক পের মাকে নাম থ্রি পোইন্ট জিরো হয়েং অয়ুক হৌদোক্লগনি। রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপাইনা থৌরম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েলদা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোক্কনি।

দে (এল) ঃ ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে ২০২৬ কী পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ত্রাফিক পোইন্টতা লু-নান্না থমবা অমসুং অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা মখলগী প্লাষ্টিক শিজিন্নবা থিংবগী কেম্পেন অমা পাঙথোকখি। কেম্পেন অদু য়ুনিভর্সিতি অসিগী ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্ট অমসুং এন.এস.এস সেলনা শিনবনি। কেম্পেন অসিদা ফেকলতি মেম্বর, মহৈরোই অমসুং এন.এস.এস ভোলুন্তিয়ার পুন্না ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল) ঃ রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি- রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকপদা মিদিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েটকী পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্তরদা ঙসি পাঙথোকপা ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন লিংখৎখিবা চহি ৯ শুরকপগী পালন থৌরম শ্রী গোবিনদাসনা হায়- জরনেলিষ্টশিংনা মীয়ামদা অশেংবা, অচুম্বা ঈ-পাউশিং য়ৌহন্নবা মতম চুপ্পদা হোৎনগদবনি। ঈ-পাউ অমা মীয়ামদা পীবা মতমদা অশেংবা অচুম্বা অদু কুপা থিদোক্লবা মতুংদা মরিক চম্বা পাউ মীয়ামদা ফংহনগদবনি।

থৌরমদুদা এম.এল.এশিং-থোঙাম শান্তি অমদি এস. প্রেমচন্দ্র, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, এস.পি, সি.এস.ওনচিংবা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে পালনগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট প্রেস ক্লবগী অকোইবদা উ চারা কয়াসু থাখি।

দিস্কসন (এল)ঃ  নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ নেচরেল সাইন্সেস তোকিও, জপানদা এষ্ট্রো ফিজিসিষ্ট ওইরিবা ডাঃ রোনাল্ডো লাইশ্রমগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল কলেজগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে। কেরিয়র কাউন্সেল্লিং সেল ইম্ফাল কলেজ, ইম্ফালনা শিনবা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এম. চন্দ্র অমদি আই.সি.টি.এগী প্রসিদেন্ট ডাঃ এল. ইবুঙো সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

ইদি ঃ  ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট (ই.দি)না মিজোরম অমসুং ম্যান্মারগা তাইনবা চম্ফাইগী মফম ৯ দা ঙসি থি হুন্বগী থবক চথখ্রে।

এজেন্সিগী পাউনা হায়- থি-হুন্বগী থবক অদু আইন কায়না য়াম্লবা বরমাগী ক্বা সুপারিশিং ঙমখৈ ৱাংম লান্না পুশিল্লক্কদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী থি হুন্বগী থবক অদু চথখিবনি। দাইরেক্তোরেট অসিনা হায়- থি হুন্বগী থবক অদুদা মরুওইনা আইনগী ৱাংমদা পোৎ পুথোক পুশিন তৌরিবা নেটৱার্ক অসিদা লমদম অদুগী মরুওইনা চেন্নবা মীওইশিংগী য়ুম অমদি লল্লোন ঈতিক তৌবা মফমশিংদা চথখিবনি। থিজিনবা অদুদা খঙলকপগী মতুংইন্না ম্যান্মারদগী পুরকপা ক্বা সুপারি অদু তিউ তুরেল লাল্লগা পুরক্লবা মতুং মফম অদুগী গোদাউনশিংদা শাশিন্নবা চে শিজিন্নরগা পৈশিন্দুনা থম্বনি হায়রি।

সাহ ঃ  গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ নুমিৎ নিনিগী ত্রিপুরা খোঙচৎতা ঙসি অথেংবদা ত্রিপুরাদা থুংগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা লনকা মুরাদা লৈবা বি.এস.এফ আউটপোষ্টতা চৎকনি অমসুং রাজ্য অমদি কেন্দ্রগী সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী ওফিসিয়েলশিংগী ওইবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

হয়েং আগরতালাদা লৈবা অরিবা রাজ ভবনদা প্‌সবন্তা পেলেস হোটেল শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা শরুক য়াগনি।

সাল বগানদা পাঙথোকপা মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রি মনিক সাহা, চীফ সেক্রেতরি, দি.জি.পি অমসুং বি.এস.এফকী আই.জি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

দেলসি ঃ ভেনেজ্‌য়েলগী এক্তিং প্রসিদেন্ট দেলসি রোদ্রিগেসনা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা নিউ দিল্লিগী হাইদ্রবাদ হাউসতা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা ইনর্জি, ঙাকশেল, লল্লোন ইতিক, ফারমাসিয়ুতিকেল, হকশেল, ত্রান্সপোরটেসন অমসুং রিন্যুয়েবল ইনর্জিনচিংবা সেক্তরশিংদা লৈবাক অনিনা হেন্না তেংবাং পীনবগী মতাংদা খন্নখি।

মদুগী মমাংদা ভেনেজ্‌য়েলাগী এক্তিং প্রসিদেন্টনা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগা ঙসি অয়ুক নিউ দিল্লিদা উন্নখি। সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- লৈবাক অনিগী ওইবা মরীদা ভারতনা চেৎনা থাজবা থল্লি। ভেনেজ্‌য়েলগী এক্তিং প্রসিদেন্ট দেলসি রোদ্রিগেস নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎতা ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংলখিবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং গুজরাতকী শুরটতা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৮০০ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাগনি, খরনা উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা রোড, পৱার অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্তরশিং য়াওরি। শ্রী মোদিনা শুরটতা ফমুং ২০০ ই.এস.আই.সি হোস্পিতাল শঙ্গাগনি।

তুংদা, শ্রী মোদিনা দমনদা লুপা কোতি লিশিং ২,৯৭০ রোমগী প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমগনি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা হকশেল, সিভিল এভিএসন, তুরিজম, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, কন্নেক্তিভিতি অমসুং পাব্লিক ৱেলফ্যার য়াওরি।

প্রসাদ ঃ কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি জিতিন প্রসাদনা ঙসি নিউ দিল্লিদা গ্লোবেল বিজিনেস রিছার্স কনফরেন্স ২০২৬ হৌদোকখ্রে। মেনেজিং বিজিনেস এমিষ্ট ৱার্ল্ড ৱাইদ টরবুলেন্স হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা মীফম অসি ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ফোরেন ত্রেদ (আই.আই.এফ.টি)না শিনবনি।

মাই ভারত ঃ মেরা যুবা ভারত (মাই ভারত)না চয়োল অমদা ওনলাইন ক্বিজদা মীওই খ্বাইদগী মশিং য়ামা শরুক য়ারকপগী মীংথোল ফংদুনা গিনেস ৱার্ল্ড রেকোর্দতা চনবা ঙমখ্রে। কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ চনবগী সার্তিফিকেট লৌখি। মমাং চহিগী ওক্তোবর ২৫ দগী ৩১ ফাওবদা চথখিবা ভিক্সিত ভারত য়ং লিদরস দাইলোগ ২০২৬, ক্বিজদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদু চনবা ঙমখিবনি। ক্বিজ অদুদা মীওই লাখ ৩ লিশিং ৯০ হেনবনা শরুক য়ারকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মন্দাভিয়ানা হায়- লৈবাক অসিনা ২০৪৭ তা মপুং ফানা চাওখৎপা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ভারত অমা ওইনবগী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা নহাশিংনা মাই ভারত প্লেটফোর্ম অসিদা রেজিষ্টর তৌদুনা শরুক য়াবীয়ু। প্লেটফোর্ম অসি হৌদোরকপদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী নহা কোতি ২ লাখ ১৯ হেনবনা রেজিষ্টর তৌরক্লে।

এয়ারলাইন্স ঃ কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ১০ গী এভিএসন তরবাইন ফ্যুএল (এ.টি.এফ) প্রাইস ষ্টেবিলাইজেসন ফন্দ অয়াবা পীবদা ইন্দিয়ান এয়ারলাইন্সশিংনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ঙরাং অয়াবা পীখিবা ফন্দ অসিনা ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংনা এ.টি.এফকী মমল চাং অমদা থমবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি।

এয়ার ইন্দিয়াগী ৱারোল অমনা হায়- খোঙথাং অসিনা ইন্দিয়া এভিএসন ইকো সিষ্টেমদা চাওখৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। মসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা এয়ারলাইন্সশিংনা পীরিবা কন্নেক্তিভিতিগী সার্ভিস হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

ইন্দিগোনা থৌরাং অসিবু থাগৎলদুনা হায়- এ.টি.এফ প্রাইস ষ্টেবিলাইজেসন ফন্দ অসিনা ভারতকী এভিএসন সেক্তর হেন্না চাওখৎহল্লগনি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা- ত্রাউ ক্লাকৈথেলনা ব্লু হোকপু রন ২০৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্টি ফোরনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৭২ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ ভারতনা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন ৱিমেন চেম্পিয়নসিপকী ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ভারতনা ভুতানবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। গোৱাদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সমফিদা নোংগ্রুননা পাঞ্জল ১ চনদুনা চহি ৬ কী মনুংদা ভারতকী ৱিমেন ফুটবোল টিমনা ফাইনেল চংখিবনি।

------